# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





জিরিবামদা অঙাং য়াওনা মীচম ৬ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফারগা তমথীনা হাৎখিবগী মায়োক্তা হৈরোক অপূনবা ক্লব অমসুং হৈরোক অপূনবা মৈরা পায়বীনা হৈরোক কৈথেলদা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিং


লৌশিং পূক্কে : হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা চাং ... লামায় ২

লামায় ৪ ঙসি ওইরিবা ফীভমসিদা

''নহাকসু খ্বাইদগী তোনবা মীশিদা শিবা ওইরো-!'' লামায় ৫

লামায় ৬ লৈঙাক্লা ফাজিনখিবা মীওইশিং লোগী ...

নুমিদাং ৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা মহারাষ্ট্রদা চাদা ৫৮... লামায় ৮

লামায় ১০ ৱিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি : চাইনা...


আর কে সী এসকী ১০০শুবা বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা মহাক্কী আর্ট গেল্লরিদা মহাক লৈখিদবা নুমিৎতা 'দি লেগসি ওফ ফোর জেনরেশন' কৌবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা ফোঙদোকপা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 228 | শগোলশেন, হিয়াঙ্গৈ ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, November 21, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুর থুগাইরগা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' লৌগনি তাল্লিবা কুকি ফূরুপকী এম এল এ ১০ স্পিকরগী অথৌবা থাঙশাং মায়োক্লগদৌরি

# স্পিকরনা এক্সন লৌখৎনবা এক্সপার্টশিংগা মীফম পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথুরকখ্রবা মতুংদা চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরবু থুগাইরগা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' লৌগনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরকখিবা কুকি-জো এম এল এ ১০গী মথক্তা লৌখৎপা য়াবা এক্সন লৌখৎনবা অমসুং মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্নবগী মীফম অমা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা অখণ্ড-অহৈ (এক্সপার্ট) শিংগা ফম্মিন্নদুনা খন্নবা হৌখিবনা টেররিষ্টকী থৌওং চথুরক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু মথৌ শঙলিবা কুকি ফূরুপকী এম এল এ ১০ স্পিকরগী থৌরবা থাঙশাং মায়োক্লগদ্রা হায়বগী ৱাহং চোঙথোরক্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী হৌরদুনা চীংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিংদা লৈবা স্পিকরগী ওফিস চেম্বরদা এসেমব্লি অসিগী মেম্বর কয়ারক হন্না ওইখিবদা নত্তনা স্পিকর অমসুং লো মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবা ওক্রম জয়, সেকমাই এ সীদগী কারক্তুনা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবা নিংথৌজম বিরেন অমদি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরম্বদা নত্তনা মণিপুরগী খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা সিনিয়র এদভোকেট


হাওখোলেট (সাইতু)


ঙুরশাংলুর (টিপাইমুখ)


কিমনিও (সাইকুল)


লেটপাও (তেংনৌপল)


খৌতে (চুড়াচান্দপুর)


লেটজামাং (হেংলেপ)


চিনলুনথাং (সিংহাট)


পাওলিয়নলাল (সাইকোট)


নেমচা (কাংপোকপী)


বুংজাগিন (থানলোন)

অমা ওইরিবা খাইদেম মনিগা ফম্মিন্নদুনা হীরম অনীসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে অমসুং এক্সপার্ট অহুমগী ওপিনিয়নশিং লৌখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অসিগী মতাংদা ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ও জয়গী য়ুমদা পাউচে অসিনা চৎতুনা হংলুবা মতমদা মহাক্না হায়, ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা মহাক্কী ওফিসতা এম এল এ ১০ অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা অমসুং মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পুং ২ মখায় রোম চুপ্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনখি।

এম এল এ ১০ অসিগী মতাংদা ঐহাক্কী মায়কৈদগী হায়বা য়াবা ৱাফম হায়রম্লে। অদুবু থা ১৯ শুজিল্লক্লবা মণিপুরগী ঈরাংসিদা এম এল এ ১০গী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক, এসেমব্লি অমসুং বি জে পি ওফিসকী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা লৌখৎকদবা থবক অমত্তা লৌখৎতবগী মতাংদদি করিমত্তা হায়জররোই হায়দুনা তূমিন্না লৈরকপনি। এম এল এ ১০ অসিগী মতাংদা ওইরগদি বি জে পিগী হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অমদি ওর্গনাইজেশনদা ওনশিন্দুনা চৈবা হায়বসি ষণ অশিবা-অপুন্বদা ফূবগুন্বনি হায়নসু ঐনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মরমদি মখোয়দা ঙাঙলুবগী করিমত্তা কান্নদ্রে। অদুবু স্পিকরনা হীরম অনীসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা লাউথোক্তবা খোঙজং অমা চঙশিল্লগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** মমা ওইবীশিংনা কুকিশিংগী মখূৎতগী মচাশিংবু কন্নবা ঙমদ্রবনিনা মাঙজেনৈনা লাউথোক্তবা খোঙজং অমা চঙশিল্লগনি হায়না লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম হিটলরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি হৈরাঙ্গৈইথোং মখা ওইনাম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা কম্মিটি অসিনা লংথবাল কেন্দ্র মৈরা পায়বী কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগা পূন্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না লাউথোকখিবগা লোয়নননা মখা তানা হায়, হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংশিং অসিদা পীল্লিবা অঙাং ৩ অমদি নুপী ৩বু তমথীনা হাৎতোকপীখিবা থৌওং অসি মীওইবগী লিচৎকী ৱাংমদনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অমদি কাঙলূপ অদুবু লৈঙাক্লা টেররিষ্টনি হায়না লাউথোক্কদবনি। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগা মরী লৈননা লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমদি লংথবাল কেন্দ্র মৈরা পায়বী কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা থা অসিগী ১৭তা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামগী ওইবা ৱাখল্লোন অমা মীয়ামদা খঙহন্নবা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৮দা অইবা চেরোল ওইনা পীশিনখি। অদুবু লাইবক থীবদি লংথবাল কেন্দ্র ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ফুরিৎখাওদা চঙবা মানবা মওংদা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবা এম এল এশিং কনখৎপগী থবক তৌবীগনু : খাইদেম মনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** কুকি মিলিটেন্টশিংনা জিরিবামদগী অঙাং ৩, নুপী ৩ পূন্না মীওই ৬পু তমথীবা মীহাৎতা হাৎলগা তুরেলদা থাদরকখিবা অসি ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিটিনি হায়রদুনা তরাগী চৈশুনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ঙসি নুংথিল পোরোম্পাৎতা লৈবা তরাগী চৈশুগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না মখা তানা হায়, সাইতোনদা লৌ শূরিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা নুপী অমা হাৎখিবা অমদি মারগী নুপী অমসু মৈনা চাক্তুনা লৈখিদবা অদুগীসু য়াওনা মরাল লৈজদবা মীচমশিংগীদি অকনবা মওংদা তরাগী চৈশুনা কন্দেম তৌই। জকুরাধোরগী থৌদোক অসি মেসেকরনি হায়রদুনা অৱাংবা থাক্কী জুদিসল ইনক্কারি তৌগদবনি। এক্ট ওফ টেররিজমগী থবক চথুরক্লিবশিং অসিবু খুদক্তা আউটলো ওর্গনাইজেশননি হায়না লাউথোক্কদবনি। ৱিমেন অমসুং চাইল্ড কম্মিসননা জকুরাধোরদা চৎতুনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্কদবনি। অঙাংশিং য়াওনা মীওৎ-মীনৈ চথুদুনা হাৎলবনিনা চহী ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং ঙাক্তনি। পোক্সো এক্ট, ২০১২গী মখাদা কেস ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী লানদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা পীফম থোকপা লুপা ক্রোর ৩.৯৫গী কম্পেন্সেশনগী শেনফম হোম মিনিষ্ট্রিনা পীরমদ্রে

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং থোরকপদগী থা অদুগী অরোইবা শরুক্তা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন পীগনি হায়দুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাউথোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা পীফম থোক্লিবা শেনফমগী মনুংদগী লুপা ক্রোর ৩.৯৫গী শেনফম মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা পীথোক্লমদ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি অসিদা আর টি আইগী খূখাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরকপদগী খঙবা ঙম্বনি হায়রি।

অমিট শাহগী খোঙচৎ অদুদা ফূরুপ অনীমক্কী সী এস ওশিংগা মখোয় মখোয়গী মফমশিংদা চৎতুনা উন্নরম্বদা নত্তনা জুন ১, ২০২৩দা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমারনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস):**



য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসকী (এপোইন্টমেন্টস দিভিজন) না ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেশন অমদা মদ্রাজ হায় কোর্টকী জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমারবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি হায়রি।

ফম অসি মহাক্না ওফিস পায়বা হৌবদগী চৎনরগনি। পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুল হয়েং থবক্তগী পোত্থারগদবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা অহানবা থোরকপা ওর্দরশিংদা হয়েংগী ওইনা অয়ূক পুং ৫দগী অয়ূক পুং ১০ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়না খঙহল্লকখ্রবা মতুং অমুক হন্না তোঙান তোঙানবা ওর্দরশিং থোরক্তুনা হয়েংগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অহুমসিদা অয়ূক পুং ৫গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

## বোমনা নূঙ থুগাইবদা শিন্নী অমা শিরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** এন ঐচ-৩৭কী নূঙ দলান মনাক্তা লন্বী পাকথোক্লবগীদমক চীংমাইদা লৈবা নূঙজাওশিং বোম শীজিন্নদুনা থুগাইনবা হোৎনবদা পোকখায়রকপদগী ঙরাং নুমিদাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৬ হাৎপদা চেন্নবশিং ফানবা উরিপোক অপূনবা লূপনা ৱাকৎখ্রে


**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১গী নুংথিলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামগী জকুরাধোর কারোং কৈথেলদা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমসুং দুকানশিং মৈ থাবদা নত্তনা থা ৮গী য়াওনা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ ফাদুনা পুখ্রগা তমথীবা মওংদা হাৎতোকপদা চেন্নবশিং খুদক্তা ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না উরিপোক অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট সোরাম তেকেন্দ্রজিৎনা ঙসি চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিদা অইবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে।

## মৈহেশঙশিং নুমিৎ ৩নি ছুটি থাদোকখ্রে ইন্টরনেটকী অথিংবসু নুমিৎ ৩নি শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩গী হকচাংশিং ফংবা হৌরকপদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউবা হৌরকপদগী স্কুল অমসুং কোলেজশিং থেঙ্খাং নাইনা ছুটি থাদোরকখিবদু মখা তানা থা অসিগী ২৩ ফাওবা নুমিৎ হুম্নিগী ছুটি থাদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুরগী শক্লাইরবা লাইয়েকপা আর কে সী এস লৈখিদবা নুমিৎকী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্কী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম পুথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ময়াম্না 'আর কে সী এস' হায়রগা হেন্না খঙনবা ইম্ফালগী কৈশামথোংদা লৈবা লৈখিদ্রবা রাজকুমার চন্দ্রজিৎসানাগী চহী অমা চূপ্না পাঙথোক্কদবা চহী ১০০ শুরকপা মপোক




কুমওন থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি মহাক্কী ময়ূমদা মহাক্না শেমগৎপীরম্বা আর কে সী এস আর্ট গেল্লরি কমপ্লেক্সতা 'দি লেগসি ওফ ফোর জেনরেশন' হায়না মিংথোনবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা রিলিজ তৌখ্রে।

কৈশামথোংদা লৈবা মহাক্কী মমিংদা হাংদোরক্লিবা আর কে সী এস আর্ট গেল্লরিদা পাঙথোকখিবা চীং লেন্নবা থৌরম অসিদা রিলিজ তৌখিবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি মহাক্কী অপোকপা অমদি মপু পুরেল য়াওনা লাকখিবা লাইয়েকপগী পথাং-পুথাং খোমজিন্দুনা হাপ্লবা দোক্যুমেন্টরিনি। মসিগী মনুংদা আর কে সী এসকী মথৌ রাজকুমার গৌরনা য়েক্লম্বা হিন্দুগী লাইশিংদা য়ূম্ফম ওইবা অয়েকপা লাইশিং য়াওরি। অদুগা শক্লাইরবা লাই য়েকপা আর কে সী এসকী অপোকপগী মিংনা রাজকুমার য়ূমজাওসনা কৌই। মহাক্কী অপোকপনা লাই য়েকপদা নত্তনা লাই শাবা অমসুং উ শূবগী শিনফমদসু থোইদোক্না শিংথানখিবগা লোয়নননা মমিং চৎখি। অদুগা অপোকপা আর কে গৌরসিংদগী লাই য়েকপা তমজহৌখি।

অদুবু পোকপদগী য়াওরকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অফস্পা থমজিল্লকপা অমসুং জিরি মীহাৎকী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস):**



পুলিস ষ্টেসন ৬কী জ্যুরিসদিক্সনদা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপা অমসুং জিরিবামদগী অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রগা তমথীনা হাৎতোকখিবগী মায়োক্তা ঙসি কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় লৈরক মচিন্দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে টি দি সী) না শীন্দুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম ইবোয়াইমনা হায়, কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগাইনবা অমসুং মীতৈ ফূরুপ্পু মুখৎনবা অতম্না চথুরক্লিবা জিনোসাইদ কেম্পেন অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌতুনবা মানবা মওংদা নুপী অঙাং ফাওবা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকপগী থৌওং য়ানীংদে অমসুং পুলিস ষ্টেসন তরুক্কী এরিয়াদা নৌহৌননা অফস্পা থমজিল্লক্লিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করম্বা অরোনবা এজেন্দানো হংখি।

থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা চপ চানা লেপ্তুনা য়াদে হায়বা অমা খঙহনবীয়ু। পোলিটিকেল ৱিল উৎথোকপীয়ু অমসুং মণিপুরদা ঈং-তপ্পা লাকহনবীয়ু হায়খি।

মতম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সহিদ মিনর মখোঙদা শীংজং পায়দুনা মণিপুর থুগাইবা য়ারোই হায়দুনা ৱাশকখিবদু কাউরব্রা হংলদুনা হৌজিক মীকপ থোকপীরো। কুকি টেররিষ্টশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## 'মণিপুরগী এম এল এ-মিনিষ্টরশিং পূনশিনবা ঙমদবগুম সী এস ওশিংসু পূনশিনবা ঙমদবনা কুকিশিংনা মীতৈবু উশিত্তবনি'

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
তোর্বুং বাংলা ৱাইখুরোক্তগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...)

তোর্বুং বাংলা ৱাইখুরোক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা থাংমৈবন্দ থাও গ্রাউন্দদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা ৱাঙ্খেম তোম্বা মৈতৈনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, মে ৩গী লান হৌরক্ত্রিঙৈদা লায়রবা ইমুং ওইজরবসু কন্না থবক ইনখাং শূ-নোমদুনা ইচাশিং প্রাইভেট স্কুলদা তমহন্দুনা মী ওইনবা হোৎনজরকখিবনি। ইচাশিংনা ৱাখল নুংঙাইবা, মোমোন নোকপা উরগা অৱাবা কয়া কাউথোকচরকপনি। অদুবু পূন্সিসিদা অসিগুম্বা মখলগী লান অমা থোরক্কনি, ইয়ূম-ইকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীরক্কনি হায়বদি নোংমতা খল্লুবা লৈতে।

মে ৩দা রেল্লি চৎকনি হায়বা মাঙজেনৈনা তাখি। রেল্লি হায়বসি মমাঙদা কয়ারক চৎখ্রে, খৎন-চৈনবা অমত্তা য়াওখিদে। অদুনা মে ৩দা কুকিশিংনা রেল্লি চৎকনি হায়রকপগী মায়োক্তা থোইদোক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিদে। লৈঙাক্তা পেন্দবদগী রেল্লি চৎপনি। মীচম ঐখোয়গী মায়োক্তা চৎপসু নত্তে খন্দোকখি। অদুবু নুমিৎ অদুদি থবক শূমিন্নরিবশিংদা থবক শূবা চৎলগুমসি, ঙসি পোত্থারসি, কুকিশিংগী রেল্লিসু লৈবনিনা হায়দুনা য়ূমদা লৈখি। রেল্লি অদুসু মপূং ওইনা চুড়াচান্দপুরদা চৎলি হায়না তাখি অদুবু নুমিৎতুগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ অদুৱাইদা রেল্লি অদুদি লোইশিনখ্রে হায়। অদুবু নুংথিল পুং ১.৩০ তারকপদগীদি কুকি ফিমু শেৎপা ময়াম টাটা গাড়ী থন্না-থন্না তোংদুনা কাংভাইরোমদা থৌরকপা উখি।

ঐগী য়ূমদু সড়ক্কা শুপ্নতগী মিটর ১০০ রোমদমক লাপ্পনা লৈবনি। মখোয়না টাটা থন্না-থন্না তোংলগা থৌখিবদু উরগা রেল্লিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং রেল্লি লোইরবনিনা ময়ূম-ময়ূমদা থিনবা ওইরমগনি খনখি। অদুবু নুংথিলগী পুং ৩.৩০ তারকপা অদুৱাইদগী হৌরদুনা কাংভাই রোমদা মুশিন মুবা মৈখুশিং কাখৎলকপা উখি। অহানবদা য়ূমশিং মৈ থাবনি হায়বদি খঙখিদে। ঙাইহাক লৈরগদি টেলিফোন মথং-মথং তৌনরক্তুনা কাংভাই কৈথেলদা মীতৈগী দুকানশিং থুগায়বা অমসুং য়ূম মৈ থাবা হৌরে হায়রকখি।

পাউসি হেক তাবদগী লৈকায়গী মীশিং মানা-মানা থোকপা চেন্নবা হৌখি। ঐগী ইচানুপা অমনে, ইচানুপী অনীনে, ইমাগা, লৈকায়গী মীওই খরগা হান্না চেনমিন্নহনখ্রে অদুগা ঐগা ঐগী লোয়নবীগদি য়ূম শঙদুনা লৈহৌখি।

নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তারকপা অদুৱাইদা ঐখোয় লৈকায়দসু সড়ক্কা নকুনা লৈবা য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরকখি। অদু ফাওবদা ঐদি ঐগী লোয়নবীগা পূন্না থাঙ অমা পায়রগা ইশাগী য়ূম শঙদুনা লৈখি। অদুবু কুকিশিংদি নোংমৈ পায়বনিনা নুপা থোক্লা লাম্হেংনরমগে খল্লবসু পীক্লিবা ইচাশিংগী খল্লগা য়ূমদগী চেম্হোরক্তুনা মনীংলোমদা লৈবা লৌবুক্তা লোৎখি।

(মথং-মথং)

## কুকি টেররিষ্টশিং নোংমৈ কাপ্তুনা তানখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পি এসনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## সী আর পি এফ হোঞ্জিল্লকপা লেপত্রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :**

হোম মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদা অহেনবা কম্পনি ৫০গী সী এ পি এফ পর্সনেলশিং থাজিল্লক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা ঙরাংদগী হৌনা বি এস এফ অমসুং সী আর পি এফকী পর্সনেলশিং হোম মিনিষ্ট্রিগী অখন্নবা ফ্লাইটশিংনা হোল্লকপা হৌরকখ্রবা মতুং ঙসিসু নুমিদাং পুং ১০ তারমদাই ফাওবদা সী আর পি এফকী কম্পনি ৮গী পর্সনেলশিং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হোল্লকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা